# অহানবা মালেমগী লাঞ্জাওদা শরুক য়ারুবা ওলিম্পীক্কী চেম্পিয়ন অমসুং মণিপুরগী মুক্না যাত্রা

—লৈশাংথেম অজিৎ—

**মালেমগী** অহানবা লাঞ্জাও লোয়খিবা চহী ১০০ মপূং ফারকপগী নীংশিং কুমওন হন্দক্তা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎ নবেম্বর ১১দা পেরিসতা লৈবা Arc de Triomphe দা মালেমগী লৈবাক্কী লুচিংবশিং শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবদা ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেঙ্কয়া নাইদুসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা নুমিৎ নীনিগী মমাঙদা পেরিসতগী কিলোমিটর ২০০ লাপ্পগা লৈবা ভিল্লরস গুইসলেইন কৌবা মফমদা ইন্দিয়াগী তোঙানবা অহানবা মালেমগী লাঞ্জাওদা শরুক য়াখিবা অমদি লান অদুদা মথৱায় কৎখিবা অথৌবশিংবু নীংশিংনবা ৱার মেমোরিয়েল অমা ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট অসিনা শঙ্গাখি।

জর্ম্মনি, ওষ্ট্রিয়া-হঙ্গেরি অমসুং টর্কিনা মায়কৈ অমদা লৈরগা ফ্রান্স, বৃতেন, রসিয়া, ইটালি অমদি য়ু এস এনা অতোপ্পা মায়কৈ অমদা মীচং ওইরগা কুমজা ১৯১৪দগী ১৯১৮ ফাওবা মালেমগী ওইবা লাঞ্জাও অমা থোকখি। মসিবু মালেমগী অহানবা লাঞ্জাও হায়না খঙনরি। ওষ্ট্রিয়-হঙ্গেরিগী মথংখনবা (যুবরাজ) আরচদিয়ুক ফরদিনান্দবু সরবিয়া মচা অমনা নোংমৈ কাপ্পুনা হাৎখিবদগী লাঞ্জাও অদু থোকখিবগী ৱাহৌ ওইখি। লান অদু হৌগৎলকপদা জর্ম্মনিনা মায়কৈ অনীদা য়াওজখিদবা বেলজিয়মবু লৌশিনখিদুনা ফ্রান্সতা লান্দাখি। লৈবাক অদুগী মীচংদা লৈবশিংগী মতেংনা জর্ম্মনিবু থিংনবা হোৎনখি। অসুম্না লান অদু চত্থরকপদগী অমেরিকানা কুমজা ১৯১৮ ইংলেন্দ অমসুং ফ্রান্সকী মায়কৈদা লান য়াওশিল্লকপদগী ফ্রান্স অমসুং বেলজিয়ম মনীং তমহনখি। মমৈথংদা এলায়দ হায়না খঙনবা ইংলিশনা লুচিংবা মায়কৈ অদুনা মায় পাকখি। লান অদুদা মীওই মিল্লিয়ন ১০ শিখি, মিল্লিয়ন ২১ অশোক-অপন নংখি, মিল্লিয়ন ৭.৭ মাঙখি, থিবা ফংখিদে নৎত্রগা লানফা ওইখি।

লাঞ্জাও অদুনা মরম ওইরগা কুমজা ১৯১৬তা পাঙথোক্কদবা তরুকশুবা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকখিদে। গেমস অদুগী য়ুম্বু ওইজগে হায়দুনা বর্লিন, বুদাপেষ্ট অমসুং অলেকজেন্দ্রিয়াগী চে থারকপদা গেমস অসিবু হৌদোকপদা লুচিংখিবা ফ্রান্সকী পেরি-দি-কবর্তিন্না অমসুং ওলিম্পিক কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা গেমস অদুবু চহী অসিগী ওইনা জর্ম্মনিগী কোনুং বর্লিন্দা পীনিংদুনা সহর অদুবু তরুকশুবা গেমস অসিগীদমক খনখি। মসিগী মরমদি মেম্বরশিং অসিনা জর্ম্মনিগী লাম্মী মশিং হেনগৎলকপা, নেভিগী খূৎশু-খূৎলায় লৈবা হেনগৎলকপা অমদি লৈবাক অদুগী থৌওং কয়া হোংলকপা অদুনা অচৌবা লাঞ্জাও অমা থোকপা য়াই হায়বা চিংনবা লৈরম্মী। মরম অদুনা লৈবাক অদুদা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোক্লবদি লান অদু থোকহন্দবা য়াই হায়না খন্দুনা তরুকশুবা ওলিম্পিক গেমস কুমজা ১৯১৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা অদু বার্লিন্দা তৌগদবনি হায়না লেপ্পখিবনি।

কুমজা ১৯১২দা ষ্টোকহেমদা পাঙথোকখিবা ৫শুবা ওলিম্পিক গেমস মনুংদা ফমখিবা মীফম অমদা বর্লিনবু মথংগী ওলিম্পিক পাঙথোকফম ওইনা খনখিবনি। অদুবু মেম্বর খরদি য়ু এস এ নৎত্রগা স্কান্দিনাভিয়াগী লৈবাকশিংগী মনুংদা অমদা হেক্তা পাঙথোকসি হায়না থাঙ্গৎলকপা ৱাফমশিং য়াখিদে। লান অদুনা ওলিম্পিক লেপহনবা তাখি। মতাং অসিদা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মেম্বর ওইরিবা বৃটিশকী মীহুৎ থিওদর কুক জর্ম্মনিগী আই ও সীদা মেম্বর ওইরিবশিং অসি লূপ অসিদগী তানথোক্কদবনি হায়বা ৱাফম থাঙ্গৎলকখিবদা মেম্বর অতৈনা য়ানীংখিদে। মহাক কম্মিটি অসিদগী রিজাইন তৌখি, তোকচখি। অহানবা লাঞ্জাও অসিনা মরম ওইদুনা ৬শুবা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকখিদে। য়ুরোপ অমসুং খা-অফ্রিকাগী ওলিম্পিক্তা শরুক য়ারুবা অমদি হীরম কয়াদা মেদল ফংখিবা শান্নরোয় কয়ামুক লাঞ্জাও অদুদা শরুক য়াখি অমদি মখোয়গী মনুংদা খরদি লানফমদা মথৱায় কৎখি। মখোয়গী মরক্তা জর্ম্মনিগী হানস ব্রাওনসু অমনি। কুমজা ১৯১২দা ষ্টোকহেমদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্তা মিটর ৪০০গী লমজেন্দা সেকেন্দ ৪৮.৩দা চেন্দুনা অমেরিকাগী চারলেস রেদপাদকী মথংদা অনীশুবা তাদুনা লুপাগী মেদল ফংখিবা লৈবাক অদুদা অমদি মহাক্কী সহর ম্যনিক্তা লাইগী মীত্তম শাবগী মমিং চৎপা লমজেল্লোয় অসি ফ্রান্স অমসুং ফ্লেন্দরগী লানফমদা লানগী কোম মনুংদা লৈরগা লান শোক্লখি। লান লোইগদবা থা অদুদা মহাক্না তোংলিবা ফাইটর প্লেন অদু য়েক্লবনা কাপথবদগী শিখি। ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় গ্রেজুয়েট পাস তৌদ্রিবা অরনোলদ ষ্ট্রোদ-জেকসন কৌবা অমদি মিটর ১৫০০ গী লমজেন্দা ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ন্নি। মহাক অহানবা মালেমগী লাঞ্জাওদা বৃটিশকী মীচংদা লান য়াওখি। লানফমদা মরিরক থীনা শোকখি। চহী ২৭তা খ্বাইদগী চাউবা মনা দিষ্টিংগুয়্জ সার্ভিস মেদল মরিরক পীখি অমদি খ্বাইদগী নহা ওইবা এক্টিং বৃগেদিয়র জেনরেল ওইখি।

কুমজা ১৯১২দা ষ্টোকহেমদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা মিটর ৫০০০গী লমজেল অদু প্রোগ্রামদা অহানবা ওইনা য়াওহনখিবদা ফিনলেন্দগী হানস কোলেহমেনননা মকোক ওইখি। অনীশুবা তাখিবা ফ্রান্সকী জিন বুইন অমসুং অহুমশুবা তাখিবা গ্রেট বৃটেনগী জর্জ হটসন লানফমদা নোংমৈনা পান্দুনা শিখি। অদুবু ইংলেন্দগী অলবর্ট হিল কৌবা অমদি চহী মরি লান অদুদা শরুক য়ারুরবা মতুংদা ৱেলৱেজদা থবক অমা ফংখি। মতম অদুদা চহী ৩৬ শুরে। লান হেক লোইবগা অন্টৱের্পতা কুমজা ১৯২০দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্কী মিটর ৮০০ অমসুং মিটর ১৫০০গী লমজেন্দা মায় পাকখি। লমজেল অনী অদুদা পুন্না চেম্পিয়ন ওইবা অফাওবা এথলেটশিংগী মনুংদা অমা ওইখি।





লান অদুদা শরুক য়াখিবা খা-অফ্রিকাগী বেভিল রুদ মহাক্কী টেঙ্ক অদু য়েক্লবদা এটেক তৌনবা থাজিনখিবদা মহাক্কী তেঙ্ক অদু ইঞ্জিন য়ারক্তবদগী য়েক্লবগী মায়কৈদা থৌজিনবসু য়াদবা হন্দোকপসু য়াদবা ফীভমদা মতম শাংনা লৈরবা মতুংদা মশা নাম্থোক্তুনা চেল্লকখি। মহাক লান লোইরবা মতুংদা কুমজা ১৯২০দা অন্টৱের্পতা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসকী মিটর ৮০০গী লমজেন্দা সনাগী মেদল ফংখি। রেকোর্দতি সেকেন্দ ৪৯.৬নি। অসিগুম্বা শান্নারোয় কয়ামরুম লানফম অদুদা শরুক য়াখিদুনা মমা লৈবাক্কীদমক থৱায় থাখিবা কয়ামরুম য়াওখি।

মণিপুরগী ওইনদি লঞ্জাও অদুদা লাম্মী ২০০০ শরুক য়াখি। কুমজা ১৯১৭কী মার্চ থাগী ২দা মণিপুরগী নিংথৌ চুড়াচান্দ সিংহনা লৈবাক মীয়ামগী মিটিং অমা (দরবার) পাঙথোকখি। মদুদা মৈতৈ, ময়াং অমুসং চীংমীশিং য়াওখি। মদুদা মহারাজ অসিনা লৈবাক মীয়ামদা অসুম্না হায়খি, মদুদি গভর্ণমেন্ট (বৃটিশকী) মপান্দগী লৈবাক পুম্বা নুঙইহল্লে। হৌজিক্তি গভর্ণমেন্ট অদু অৱাবা ফংলে। মরম অসিনা মখোয়দা লান পাংসি হায়না তাকপিখি। লৈবাক মীয়াম্না য়াখি। কালেন থাগী মতম অদুদা তাংখুল ৫০০, খোঙজায় ৫০০ লানফম অদুদা শরুক য়ারুনবা মহারাজনা থাখি। নুমিৎ ১৫গী মতুংদা মৈতৈ অমদি ট্রাইবশিংগা লোয়ননা মীওই ১০০০ থাখি। চৈথারোল কুম্বাবদা অসুম্না হায়রি মদুদি ইঙা থাগী ১৭ নি পানবদা ফ্রান্সতগী চীংমী ২০০০, লম্বু ৩০ হল্লকখি। হিয়াঙ্গৈগী ২৬নি পানবা ইরাই নুমিত্তা লাঞ্জাও অদু মায় পাকপগী কুম্মৈ তৌই। লাইশ্রম চুরাদা সুবেদার মেজোর, হুইদ্রোম তোম্বীদা সুবিদার, থিঙোম চুরাদা জমান্দার, অথোকপম থাবান্দা জামান্দার অমদি নিংথৌজম গুলাপতা সুবিদার মেজর পীখি। অহলশিং অসি মুক্না যাত্রনা অয়াম্বনি। মখোয়দা থাঙ-তা, মুক্না, শগোল থৌবনচিংবদা মণিপুরগী মমিং লৈরবা শান্নরোয়শিংনি। চৈথারোল কুম্বাবদা মণিপুর লাম্মী ২০০০ অমুক হল্লকই হায়বা অসি অচুম্বদি মান্দে। মরমদি য়ুরোপ অমসুং মিদল ইষ্ট কোয়রুবা মণিপুর মচাশিংনা মফমশিং অদুদা ৱার সিমেত্রি য়েংলুবদা মণিপুরগী মচাগী মমিং খোঙজাই, মৈতৈ অমদি অতৈগী মমিংশিং য়াওবা থেংনরকখি হায়রি।◀◀

# মীলাদ-উন-নবী : অরোইবা পাউ পুবা হজরট মুহম্মদ সল্লাল্লাহু অলৈহি ৱাসল্লম্‌গী মপোক নুমিৎ

- অব্দুল হলীম -

**নবেম্বর ২১** অসি লৈঙাক্না মীলাদ উন নবীগী ছুটি থারি। হজরট মুহম্মদ সুল্লাল্লাহু অলৈহি ৱাসল্লম্না মালেমদা লমজিং লমতাক্লম্ববু নীংশিংবা ওইনা হরাউ নুংঙাইবা ফোঙদোকপা উৎপনি। মরম অদুনা মহাক্কী পুন্সি অমদি মহাক্না ময়ামগী কান্নবা করি করি তৌবিরম্বগে হায়বদু ঐখোয় অমুক্তং মীৎয়েং তামিন্নসি।

কুমজা ৫৭০দা মহাক অরব লৈবাক্কী লাইনীংগী অমদি ললোন ইতিক্কীসু ময়োন ওইরম্বা মক্কহ সহরদা পোকখি। মতম অদুদা অরব লৈবাক অসি ফুরুপ মচা-মচানা মতেক-মতেক পান্নরম্মী, অপূনবা লৈঙাক লৈরমদে। মসিগী অকোয়বদা খৃষ্টান লাইনীংগী রোমগী লোইলম লৈঙাক অমদি জোরোষ্ট্রিয়ান লাইনীংগী পর্সিয়াগী লোইলম লৈঙাক অনীনা মালেমসিদা ঙাম্থোইনা পাল্লম্মী।

মতম অদুদা অরব লৈবাক অসি শাগৈ অমদি ফুরুপ মশেল খৎন-চৈনবা, হাৎন-শুনবা তোয়না অমদি পাকশন্না থোল্লম্মী। লন-থুমদা লাইচুদুনা মচানুপীশিংবু হাত্তোকপা য়াওরম্মী। ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা লুপ্লম্মী অমদি নুপা-নুপীগী মরী মোৎলম্মী। মরী-মতাগী রাইট মৎনরম্মী।

মশাগী চহী ৪০শুবদা তাইবঙপানবা পূম্নমক্কী মপূগী মপাউ লাক্লে হায়না মহাক্না ফোঙদোরকখি। অহানবদা মদুবু মহাক্না মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা মীশিং - ইমুং-মনুং অমদি মরুপ-মপাংদা য়ৌহনখি, থুংহনখি।

অসুম্না চহী অহুম তুমিন-তুমিন শন্দোক্লবা মতুংদা তাইবঙ মপূনা লাউথোক্লো হায়রক্লে হায়বদগী মহাক্না মরী-মতাশিংবু চাক্তৌরগা পাউজেল অসি খুদোল তমখি।

মথংদা মক্কহগী চীং অমদা কাখৎলগা লৈবাক মীয়াম্বু কৌশিল্লগা মঙোন্দা অল্লাহনা শিন্নরক্লিবা ৱাফম অদু লাউথোকখি। মতাং অসিদগী মাগী খোঙজং অসিগী মায়োক্তা মক্কহগী মচিন তোংবা লুচিংবশিং লেপ্পা হৌরকখি। য়ূম-য়ূমদা মাগী ৱাফম অসি য়ানীংবা অমদি য়ানীংদবগী য়েৎন-লৌনবা ঙাঙন-শক্নরকপা হৌনরকখি।

মাগী মতুং ইনবশিংগী মশীং হেনগৎলকপগা লোয়ননা য়েক্লবগী চাংসু হেনগৎলকখি। ফুবা, চৈবা, হাৎপা-তুপ্পা য়াওরকখি। মরম অদুনা তাইবঙ মপূগী পাউজেল ফংবা চহী মঙা শুরকপদা মীওৎ-মীনৈ খাঙবা ঙমদ্রবা মাগী তুং ইনবা খরা য়ূমথংনবা লৈবাক ইথিওপিয়া/অবিসিসনিয়াদা মতম খরা লৈরুনবা হায়খি। অসোমদা মক্কহদা লৈহৌবা মহাক্কী তুং ইনবশিংগী পাঙ্গলসু কনখৎলকপা লেপ্লমদে। তরুকশুবা চহীদা হান্না য়াম্না কন্না য়েক্নরম্বা উমর কৌবা মথৌনা লৈবা নহা অমা য়াওশিল্লকপদগী ফোংনা কঅবহদা লাই খুরুম্বা হৌখি।

কনখৎলক্লিবা শাফু অসি থেংননবগীদমক তরেৎশুবা চহীদা মক্কহগী লুচিংবশিংনা মুহম্মদ (সল্লাল্লাহু অলৈহি ৱাসল্লম্) অমদি মাবু হুন্দোকউ য়াদবা মাগী শাগৈগী মীশিংবু তিন্নদনবা ৱারেপ লৌখি। মদুতা নত্তনা অতৈ কনামত্তগসু তিন্নহনখিদে - লৈবা য়োনবা, ঙাঙন-শানবা, চামিন-থকমিন্নবা। মদুগী ফল ওইনা চাবা-থকপা ফংদবগী অৱাবা অমদি মদুগা ইরোয়নবা অশি-অনা কয়ামুক মায়োক্লখি। অৱা অনাগী চহী হায়না খঙনরিবা তরাশুবা চহীদা মাগী পুন্সিগী লোয়নবী ওইবতা নত্তনা লন-থুমগী অৱাৎ অপা পূম্নমক মেনশিল্লম্বা খদিজহ লৈখিদ্রে অমদি মীওৎ মীনৈদগী ঙাক-শেনবীরম্বা শাগৈগী লুচিংবা মখুরা অবু তালিব তাইবঙপানদগী খোঙশানখি।

মতাং অশ্বায়দা তিন্নদবগী ৱারেপ অদু মাবু য়াদবশিংগী মরক্তা য়ানরক্তবদগী তোকথোকপদা তাখি অমদি মখোয়বু হোইজিল্লগা থল্লম্বা মফমদগী ময়ূম ময়ূমদা হন্নরকখি। অদুবু মাগী ৱা তাবিনবা মক্কহদা অনৌবা মী কনাসু লৈরমদ্রে। মদুগী মথক্তা মাবু ফুবা, চৈবা হৌরকখি। মরম অদুনা মহাক্না তাইফ হায়বা মক্কহদগী কিলোমিটর ১০০ রোম লাপ্না লৈবা খুঞ্জাউদুদা তাইবঙপানবগী মপূগী পাউজেল য়ৌহনবা চৎলম্মী। অদুবু মফমদুগী লুচিংবশিং অদুনা মাগী ৱা তাবিদবতা নত্তনা অঙাংশিং থৌজিল্লগা মঙোন্দা নূংনা থাদুনা তান্নহল্লকখি অমসুং ঈমু নাইমু তাহনখি। মতাং অসিদনি তাইবঙপানবগী মপূনা মহাকপু অতিয়া লান্না পুরগা মনাক্তা পুখৎলগা



ৱারী-ৱাতাই তৌবিখি হায়রিবা।

মদুগী মতুংদা মহাক্না মক্কহগী মপান্দগী লাকপা মীশিংদা অমদি মক্কহগী মনাক নকপদা লৈবা ফুরুপশিংদা মহাক্কী পাউজেল য়ৌহনবগী থবক চত্থখি। মায়পাকপা অমা ওইনা দৌস ফুরুপ্না মাগী পাউজেল য়াখি।

মরক অসিদা মালেমগী মীওইবগী মায়ওন ওলহনবা থৌদোক অমদা মক্কহদগী অৱাংলোমদগী সেরিয়া চৎপা লম্বীদা কিলোমিটর ৫০০ রোম চৎলগা লৈবা মদিনহ খুঞ্জাউদগী থৱায় য়াওবা মী খরনা হোৎনবদগী মদিনহগী য়ূম অয়াম্বদা মাবু য়াবা মীশিং য়াওরকপদগী মাবু মদুদা লাকপীনবা অমদি লুচিংবীনবা চেবাউ ফংখি।

অসুম্না কুমজা ৬২২দা মদিনহদা খুন হোংলদুনা মদুদা খুন্দাবা অরব অমদি জিউ ফুরুপ অনীমক কোনশিনবা লৈঙাক অমগী য়েৎনদ্রবা লুচিংবা ওইখি। লাইনীং অমদি কাঙলূপ মান্নদবা ফুরুপশিংগী মরক্তা মালেমগী অহানবা কন্সটিট্যুসন অমা মত অমত্তা ওইনা শেমখি অমসুং নিংথিজরবা লৈঙাক অমা শেমগৎপগী মরূ হুনখি। লৈঙাকপগী ফম অমদি থবক অসিগা শাগোন্ননা তাইবঙপানবা পূম্বগী মপূগী পাউজেল মীয়ামদা য়ৌহনবগী থবক খুমাঙ য়াঙশিনখি অমসুং পাকথোকখি। অরব লৈবাক শিনথুংনা ফুরুপ খুদিংমক্তা মাগী পাউজেল শন্দোকখি। মরক্তা শা লানগী অপনবা খরা - বদর (খৃষ্টাব্দ ৬২৪), উহুদ (খৃষ্টাব্দ ৬২৫), খন্দক (খৃষ্টাব্দ ৬২৭) - লাক্তুনসু মদুনা মাগী থবক্তা অপনবা ওইহনখিদে। খুন হোংলকপা চহী তরুকশুবদা মক্কহগী লুচিংবশিংগা 'হুদৈবিয়হগী য়ানবা' গী মতুংদা মহাক্না অতৈ অরব ফুরুপশিং অমদি রোম, পারসিয়ানচিংবা অতৈ লৈবাক্কী নিংথৌরেলশিংদা চিঠি থাদুনা মাগী পাউজেল য়ৌহনখি।

খুন হোংলকপা নিপানশুবা চহীদা ঈমু-নাইমু তানদনা মক্কহ খুদুম চল্লবা অমদি রোমান লোইলম লৈঙাক্কী মায়োক্তা তাবুক্কী লানগী খোঙচৎকী মতুংদদি অরবকী ফুরুপ কয়ামুক্না মাগী পাউজেলবু তাবা মনাক্তা লাকখিরম্মী।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা লাইনীংগী পাউজেলনা ময়াম অমনা অরানববু মুথৎলগা অচুম্বগী ফিরাল থেৎপা লাইনীংগী লুচিংবা অমা লাক্কনি হায়বিরম্বদু অসুম্না মঙোন্দা মঙফাওনরগা খুন হোংলকপা তরাশুবা চহীদা মপুন্সিগী অরোইবা হজ্জ পাঙথোকপদা অরোইবা পাউজেল লাউথোকপীরম্লগা ইকুই কুইদনা মশাগী চহী ৬৩ রোম শুবা খৃষ্টাব্দ ৬৩২দা তাইবঙপানসিদগী কায়না য়াথং লৌখি।

মহাক্না মীওইবা কাঙলূপ্তা তমখিবা খ্বাইদগী মরুওইবা খুদোলদি মীওইববু নীংতমহনবনি। মহাক্কী খোল্লাউ 'লা ইলাহ ইল্লল্লাহ' হায়বদি তাইবঙপানবগী মপূ মহাক নত্তনা অতৈ কনাগীসু মীখা পোল্লোইদবনি, অতৈ কনাবুসু লাৎলোইদবনি হায়বা অসিনা মীওইবনা নীংতম্না ৱাখল খনজবগী থোঙ হাংদোকপীখি। মদুনা মখল মখা কয়াগী চৎন-কাঙলোন, খূৎশু-খূৎলায় শেম শাবা অমদি চাংয়েং তৌবদা মীওইববু অনৌবা থৌনা পীবিখি, ইনোৎ হাপ্পীখি। মহৌশাবু অকি-তুজুংনা লাৎলম্বা মীওইবদা মহৌশাবু থিজিনবগী ৱাখল পোকহনখি। সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, খুন্নাইগী ফজবা চৎন-কাঙলোন, অফবা লৈঙাকলোন, নাইতোমগী হৈজবী ফুদোকপনচিংবা মীওইবগী চাওখৎপগী খোঙথাংদা খুমাঙ চাওখৎনবা মহৈ তম্বীখি। পংথা থাজবা অমদি পংকিদা কিবগী লায়নাদু মীওইবা খুন্নাইদগী মুত্থৎখি।

মীওইবগী খুন্নাইদা তাইবঙ মপূগী লমজিং মখাদা ফজবা অওনবা অমা মতৌ করম্না পুরক্কদগে হায়বদু মহাক মশামক্না থবক ওইনা পাঙথোক্তুনা মীয়ামদা উৎপীখি। মশীং য়ামদ্রিঙৈ পাঙ্গল কনদ্রিঙৈদগীনা মশীং য়াম্লবা লৈঙাক পায়রবা মতম ফাওবদা মীওইবা খুন্নাইবু ফজবা পুন্সি খূৎলেন অমদা নিংথিজবা মহীং অমদা করম্না পুগদগে হায়বদু মহাক্কী পুন্সিদগী ঐখোয়না উবা ফংই।

চহী তরাহুমদোইলোম মক্কহদা মালেমগী খ্বাইদগী অচৌবা অহোংবা পুরক্লবা মরূ থাবা মতমদা মথৌ তাবা থবকশিং অমদি চেনগদবা গুণশিং য়োৎপু মৈদা ইকপগুম মাবু থাজবা মীশিংদা তম্বীখি অমদি হৈনহনখি। মদুদগী মদিনহদা খুন হোংদুনা মফমদুদা ময়োন ওইরগা অরব লৈবাক পূম্নমকপু লৈঙাক অমত্তদা পুনশিল্লকপদা থেংনরকপা শা-লান, লৈঙাক্লোন, শেন্মীৎলোন, চাওখৎলোন পূম্নমক্তা মীওইবা ফুরুপ্না তমজনীংঙাই ওইহৌই।

ঙসিগী পুন্সিরোলদা মায় পাক্না হিংনবগীদমক কন্না অমদি তোইনা তম্বীনরিবা পোজিটিভ এটিচ্যুদ হায়বদি ফনা খনবা হায়বসি মহাক্না মহাক মশা অমদি মাবু থাজবশিংদা অসুক্কী মতিক ফজনা হাপচিনখি মদুদি ঙসি ফাওবা মদুদগী হেনবা অমা মীওইবগী ৱাখলনা লাম্বা ফংদ্রি। তাইবঙ মপূ, মহৌশা, মরুপ-মপাং, কৈরোই লৈকায়, শকখঙদবনচিংবদা হরাউ তয়াম্না ওকপা অমদি য়াইফ পাউজেল পীবসি নোংঙাল্লকপদগী হৌরগা নুমিদাং ফাওবা নুংতিগী মঙারক মাবু থাজবা মীশিংদা তৌদবা য়াদবা ওইহল্লমখি।

অতোপ্পগী মতেং তৌববু শির-মতুংগী পুন্সিদা মায় পাকপগা মরী লৈনহনখি। য়ূমলোন্নবনা চরা শিৎলগা মবুক থন্না চারিবা মীদু থাজবশিংগী মনুং চন্দে হায়না মহাক্না তম্বীরমখি।

অতোপ্পদা অকায়বা পীদবা হায়বসি লাইনীংগী শরুক ওইহল্লমখি। মহাক্না তাকপীরমখি মদুদি মাগী তুংইনবা ওইরবদি মচিন্না নৎত্রগা মখূৎনা মীঙোন্দা অৱাবা পীরোইদবনি।

ফুরুপ খুদিংমক্কী লমজিং লমতাকপা লৈজৈ হায়রদুনা মালেমগী লাইনীং পূম্নমক্কী তুং ইনবশিংবু নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী য়ূম্ফম থোল্লমখি। তোঙানবা লাইনীংশিংগী মীওইশিং লৈবাক অমদা পূন্না লৈমিন্নবা অমদি লৈঙাকমিন্নবা য়াই হায়বসি মহাক্না তম্বীরম্বগী মতুং ইন্না মালেমসিদা চৎনবা হৌখি। লাইনীং মান্নদবগী লৈঙাক্না ওৎ নৈরম্বদু তোক্লরকখি। ঐখোয়না মসি মঙোন্দগী থংথহৌবা খুলফা অল-রাশিদুন্দগী হৌরগা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা ওত্তোমান অমদি মুগল লৈঙাক্তসু অমদি ঙসিগী লৈঙাক কয়াদসু উবা ফংলিবসিনি।

অরোইবা ওইনা পনবা য়াবদি, মহাক্না মীওইবগী পুন্সি অসি হন্দক্কী মপোক অসিনা লোইবা নত্তে, লোইনাইদবা পুন্সি অমনা ঙাইদুনা লৈরি হায়বদু ময়েক শেংহনখি। মদুগী ফল ওইনা মাবু থাজবা মীশিংগী মরক্তা অঙকপা থৌনা অমা পোকখি অমদি মথন্তা শিজবা থোকহনবা ৱাখলগী লায়না অদু মাবু থাজবা খুন্নাইদগী মুৎখি। থিংবা ঙমদ্রে হায়নরিবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নবা মশা মথন্তা তোক্লখি। তাইবঙপানবগী মপূ অল্লাহ মহাক্না য়াবিনবা মীয়ামগী মতেং তৌনীংবগী নিংথিজরবা ৱাখল, মঙলান কয়া মীশিংগী থম্মোয়দা ময়োন চোঙনখি। ঙসিসু মক্ত্রবা খুন্নাই অমা নিংথিজরবা লৈবাক অমা মীচং মীখায় নাইদবা মালেম অমা শেম্নীংবশিংগীদমক্তদি মহাক্কী তম্বীবশিং অসি লমজিং মৈরা ওইদুনা লৈ।◀◀

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।*